ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯖꯥꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯵, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯱ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, জান্যুৱারী ১৫, ২০১৮, ইম্ফাল

৪১ শুবা চহী, ২৮৯ শুবা মশীং


# অনাবা লায়েংবগী কাঙলোন

## *ষ্টেট লৈঙাক্না চলাইবা লায়েংশঙ অমগী মচৎ মাল্লক্লে*

মীওইবা হায়বসি নোংমদি নাগনু, শিগনু হায়বা য়ারোই। অদুবু মনুং মতম চাদনা করিসু নত্তবা লায়না অমনা নাদুনা খাঙুথক্তা পুন্সি মাঙহনগদবা অদু অখঙ-অহৈশিং মাঙজৌননা তানরগা নীংথীনা হীদাক থারগদি কনবা ঙমই। অতেনবা মতমগী মনুংদা শোয়দনা শিরগদবা অনাবা অদুফাওবা হোস্পিটাল য়ৌরগা ডোক্টরনা মহাকপু নীংথীনা লায়েংবীরবদি শোয়দনা ফগনি হায়না খন্নরিবনি। মখোয়দা লৈরিবা থাজবা অসি ডোক্টরশিংনা চান্মদা চান্মা থবক্তা ওন্থোকপদি ঙল্লোই। অদুবু মীওই অদুবু পেলহন্ননবা করিগুম্বা খরা তৌবা অমসুং ফজবা ৱাহৈ খরা হায়বদি ঙমগনি হায়না খল্লি। মসিনা তাক্লিবদি ডোক্টর হায়বা শিনফম অসি অতৈগা মান্নদে। মসিদি মীওইবা খুন্নাইগী থৌগল তৌনবগীদমক্তনি হায়বসি মীয়াম্না য়ানিংগনি। মসি হায় হায়দুনসু অনাবা খূদিংমক ডোক্টরনা লোইনমক কনবা ঙমগনি হায়বদি লৈতে। মরক মরক্তা ডোক্টর অমসুং পেসেন্টশিংগী মরক্তা নুংঙাইনদবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকই। মরুওইনা লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙশিংদা অনাবা শিবগা মরী লৈননা পেসেন্ট পার্টিনা হোস্পিটালগী পোৎ-চৈ থুগায়দুনা মাঙ-তাকহনবগী থৌদোক কয়ামরুম থোকই। থৌদোকশিং অসিগী মরুওইবা মরমদি পেসেন্ট পার্টিগী ডোক্টরগগী মরক্তা ৱাখল তানদবদগীনি হায়বা য়াই। হৌজিক্কী মতমদদি ডোক্টর অমনা মীওই অমা লায়েংবদা মথৌ তারিবসি লায়োং খঙদোক্লগা হীদাক থাবা নৎত্রগা থাঙ থাবনা ওইদ্রে। অনাবা অমসুং অনাববু থৌগল তৌবা লাক্লিবা মীয়াম অদুগা ৱাখল তাহনবা হায়বদি কাউন্সেলিং পীবগী তঙাইফদবা অমা লৈরে। শম্না হায়রবদা নারিবা অনাবা অদুগী মরম, করম্না লায়েংগনি অমসুং ফরকপা য়াবা অমদি খুদোংথীবা য়াবা হায়বনচিংবশিং অদু মখোয়দা ৱারী লীদুনা খঙহন্দবা য়াদবগী ফিভম অমা লাক্লে। মসি ডোক্টরশিংনা মুন্না খঙজিল্লগা মখোয় মশামক সোসল ওইননবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদু নত্তনা থবক ৱারকপগীবু ওইরবসু, মওং চুমদবা ৱাহৈ-ৱাতা হায়রকপবু ওইরবসু শাওনিংলিবনি হায়দুনা করিগুম্বা অমত্তা হায়বা য়াদ্রে, না পংলসি হায়বা মতমদু য়ৌরবনি। মসি পেসেন্ট পার্টিশিংনা ডোক্টরশিংদা থোকহনবা খুদোংচাদবা থৌদোক অমনি হায়বা য়াই। তৌবদদি অনাবা অমসুং মীয়াম্না খনবীগদবদি ডোক্টরসু মীওইবনি। মহাক্কী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈগনি। হোৎনবা ঙম্বগী পনখৈসু লৈগনি। ডোক্টর অমনা মহাক্কী পেসেন্টবু শিহন্নিংবা কৈদৌঙৈদসু য়াওরল্লোই।

মণিপুরদা লৈঙাক্কী ওইবা মপূং ফাবা হোস্পিটাল অনীখক লৈ। অমনা সেন্টরনা চলাইবা রিজনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) নি। অদুগা অতোপ্পা অমনা ষ্টেটনা চলাইবা জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) নি। মেদিকেল ইনষ্টিট্যুট অনী অসিনা মীয়ামগী অনা-লায়েংগী থবক্তা মাঙজিল থানা খুদোংচাবা পীদুনা লাক্লি। ইনষ্টিট্যুটশিং অসিদা থবক তৌরিবা ডোক্টরশিংনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনখ্রে। ঙসি ফাওবা মখোয়না চোকথবা লৈতনা অনাবা খূদিংমক লায়েংদুনা লাক্লি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমদা জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্টনা কুমজা ২০১৮ গী জন্যুৱারি ১১দা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা হোস্পিটাল অসিগী ওবষ্টেট্রিক্স এন্দ গাইনোকোলোজিগী ও পি ডিদা নোংমদা অনাবা ১৫০ দগী হেন্না য়েংলরোই হায়না লাউথোকখিবসিনি। অদুমকপু নোটিফিকেসন অসিদা ইমর্জেন্সিগী ওইনা পুখৎলকপা অনাবদি য়েংগনি হায়নসু পল্লি। অদুবু লুরিবা ৱাফম অমদি করম্ববু অনাবা অরূবনো, করম্বনা ইমর্জেন্সিনো হায়বসি পেসেন্ট পার্টিদদি অমতা ওইগনি। মখোয়না মতম মাঙবা মখৈ হোস্পিটালদা লাক্লিবদু তঙাইফদবা অনা-লায়েংগা মরী লৈনবগীদমক্তনি। অসুম্না য়াম্না থাজনা হোস্পিটাল য়ৌরগা অৱাবা কোক্কনি হায়দুনা লাকপা অনাবা অমা নুমিৎতুগী ও পি ডিগী মশিং ১৫১ শুবদা লৈরগদি মহাক লায়েংদনা চৎপা তাৱ্রা হায়বা ৱাফম অমা থোরকই। থৌওং অসিদি লন্নাইগী হোস্পিটাল য়োকখৎননবা থৌশিল অমরা হায়বগী ৱাহং হংদবা য়ারক্লে। তশেংনমক্কীদি অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ২ ফাওবা লায়েংবা অমসুং হোস্পিটালদা লাক্লিবা অনাবশিং লায়েংবা হায়বসি ষ্টেটনা চলাইবা হোস্পিটাল অমগী মচৎনি। লৈঙাক্কী অনা-লায়েংশঙ অমদা অকক্লবা মশিং পীবা হায়বসি মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা শেম্বা রুলদসু য়াওদে। অনাবা য়েংবদা লৈতানা অমসুং নীংথীনা য়েংবা হায়বদুদি লৈঙাক্কী থৌশিলগী মখা পোনগনি। অনাবা মশিং হেনগৎলক্লে, অনাবগী ফমুং য়াম্না ৱাৎলে হায়বা তারগদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফেকলটি মশিং হেনগৎহনবা তাই। অনাবগী ফমুং মশিং য়ামহনবা তাই। মদু নত্তনা জেনিমসকী ওথোরিটিনা মখোয়গী খুদোংচাবা খরখক্কী য়েংলগা অনাবা মশিং ১৫০ দগী হেল্লরোই হায়না ককশিল্লকপসি নুংঙাইতে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি জেনিমসকী ওথোরিটিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অসি লৈঙাক্না অদুমক চৎনহন্নবগী থৌরাং লৈরব্রা হায়বদু মীয়ামদা অথুবা মতমদা শেংদোকহন্নিংই। থৌওং অসিদি লন্নাই হোস্পিটালশিং পূক্লিং থৌগৎপগী মওং ওইরক্কনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### থাগৎনীংঙাইনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**মীওইবা** পূম্নমক অচুম্বা পাম্মী। অচুম্বা পাম্বা মী অদুনা মশাগী ওইজবা থিরকপদা অরানবা তৌরকই। লাল্লি খঙলবসু ওইজবা পাম্বদগী শেঞ্জা থুমজা তৌরকই। শেঞ্জা থুমজা তৌরকপদগী মীয়াম্না পেন্নদবদগী ঈরাং হৌরকই, মীশি মীনা ফাওবা থোল্লকই। মীশিংনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকপা লমনদি চাউবা হেনগৎলক্তবনা, লৈফম চিন্নরকপদগী য়ূমলোন কৈরোন্নবগী ইঙ্খোল অমগা ইঙ্খোল অমগগী মরক্তা খোংবান লৈনরম্বদু ঙসিদি লৈনরক্তরে। ইরম-নালা খোপচিন্দুনা লম কনশিন্নখিবনা ঈশিং চেনফম লৈতবদগী খূৎশেমগী ঈচাউ মফম অয়াম্বা মায়োক্লরে। পোকমিন্নবা মচিন মনাওফাওবা মপা মপূনা থম্বীরম্বা লৌরি য়ূম্ফম য়েন্নবদা ৱায়েলাঙ য়ৌনরে। লমগী ৱাথোক্তা পাকথোক চাউথোল্লক্তুনা ৱায়েলশঙ য়ৌনরকপা ৱাফমসিগী মরুওইবা থৌদাংদি লৌরুংশঙ (সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্ট) নি। মরমদি লমগী রেকোর্দ অমদি মেপ অসি লৌরুংশঙনা শেন্নবনিনা লম ওন্থোক ওনশিন তৌবসি লৌরুংশঙগী মথৌনি। লৌরুংশঙগী মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরবদবু লমগী কেস লৈখিগদ্রা? মীগী লমদা হেনজিন্না দখল তৌরিবা কনানা লম ওনবীয়ু হায়রোই। মাগী মাগী পাট্টাদা অমদি মেপ্তা লৈরিবা রেকোর্দ অদু য়েংলগা নঙগীনা সিনি, মাগীনা সিনি হায়দুনা ওন্থোকপীবদা কনানসু য়াদবা ঙল্লোই। য়াদ্রিবদো লাল্লবনি। অদুবু শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা অচুম্বা নাথৈরগা রেকোর্দ ওন্থোক ওনশিন তৌরবদি ৱায়েনশঙদা ৱাকৎনরকপা তাবনি। ৱায়েনশঙদা অমুক ৱায়েনবদা কুম পুদুনা লোইবা নাইদদুনা উকিলশিংগী চাকথাক হুনবদা লৈজরম্বা লন থুম মাঙ তাল্লবদা শিবা কিদবা পোল্লক্তুনা মীহাৎ মীপুন য়াওনরল্লবদি লৈবাক অসিদা শান্তি লৈখিগদ্রা?

ইপা লাই ইপু লাইগী খুভম খুরাই অহোংপুঙ হায়বা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা লাইফম ফাওবা মীতোপ মীয়ানচাদা পাট্টা পানশিনবীদুনা পীথোকপা ঙম্বসিনদি অতৈ সধারন মীওইদদি করি তৌরমগনি। ষ্টেটকী খাসলেন্দা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা পাট্টা পংপীদা পীবদগী ৱাথোক কয়া লেপ্তুনা থোকপগী মনুংদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগদবা মফম ফাওবদা চয়েৎনবা থোক্লি। হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক অসিনা সেট্টলমেন্ট দিপার্টমেন্টগী ওফিসিএল ৪ থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখিবসি থাগৎনীংঙাইনি।

*অদোমগী - কে এস ঐচ সুরজ মীতৈ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩

১। সনা কোনুংদা 'তানয়ৈবা লোয়শঙ' হায়বা অমা লৈরম্মী। মদু কুমজা ১৫৪দগী ২৬৪ ফাওবা পাল্লম্বা নিংথৌগী হাক্তক্তা লিংখৎলম্বনি। মদুগা মরী লৈননা মখাগী ৱাহং অনীসিগী পাউখুম পীয়ু।
(ক) হায়রিবা নিংথৌদু কনানো? (খ) পূং য়ৈনবা চৈ অদুগী মমিং করি কৌই?

২। "ঙসি নোংজুগী অমম্বা অহীংসিদা/লাকচরি ইবুংঙো নঙগী মায়কৈদা/নঙগী লাইশঙদি চেৎনা লোল্লল্লে।" পরেংশিংসি 'সন্ধ্যাগী ঈশৈ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ঐ...ঐ/য়ূমসিগী য়ূম্থুনি/লংফৈ হল্লকপনি।" ৱাহৈশিংসি কনানা হায়বনো? কবি নহাদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "য়ূম পাল্লে হায়বতং থোক্কে তৌবনি/...ঐ লৈদি লৈরোই।" ৱাহৈশিংসিনা এম কে বিনোদিনীগী 'বড় সাহেব ওংবী সনাতোম্বী' দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়বনো?

৫। নিংঙোম্বম ইবোবীগী 'কর্ণগী মমা অমসুং অরোইবা য়াহিপ' পু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জান্যুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

# *লৌমীশিংগী কাখল*

## কোলি হৱাই কাংবুগী মরু ওইবা লায়না খরা

ডা: এম থোইথোই সিংহ



**কোলি হৱাইনা** মখোঙ মুরকপগা লোয়ননা খুইথরকপা, কংশিল্লকপা হায়বসি য়ামদ্রবদা লায়না মখল অহুম শুই। মখলশিং অদুদি- মেক্রোফোমিনা ফেসেওলিনা (*Macrophomina phaseolina*) না থোকহনবা এসি ষ্টেম ব্লাইট, রাইজোকটোনিয়া সোলানি (*Rhizoctonia solani*) না থোকহনবা ৱেব ব্লাইট অমসুং এসক্লেরোটিনিয়া এসক্লোরোটিওরম (*Sclerotinia sclerotiorum*) না থোকহনবা স্লেরোটিনিয়া হ্বাইট মোল্ডগী মমিং পনবা য়াই।

**এসি ষ্টেম ব্লা ইট:** নৌরিবা পাম্বীশিংদা মুনা কুৎশিনবা দাকশিং থেংনগনি। মখা থংবা মউদা দাকশিং লৈরম্বদগী মথক য়ৌনা শন্দোরকই। মতোন য়ৌশিল্লক্তুনা পাম্বীদু শিরকই। লায়না অসি মরু অমসুং লৈবাক্তগী শন্দোরকই। কোকফাই মখল অসিনা তাশিনবা ঙম্বা পাম্বী য়াম্মী। আলু অমসুং খামেন্দা লায়না অসিনা তাগল্লি। হায়রিবা পাম্বীশিং অসিগী লেমখাকশিংদা কোকফাইসি লৈহৌদুনা কোলি হৱাইদা মখা তানা শন্দোরকই।

**লায়না অসিগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং:** মরুদা হিদাক তোৎপিহৌবনা খ্বাইদগী অফবা পাম্বৈনি। কপ্টান (*Captan*) ৫০% গ্রাম মরি মরু কিলোগ্রাম খুদিংদা তোৎপিহৌগদবনি। লায়না অসিমক চেনখ্রবা আলু পাম্বী নৎত্রগা খামেন পাম্বী মচেং মকায়শিং শেংনা লৌথোক্কনি।

নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংহন্দবা ফৈ। শঙমদা কিলোগ্রাম ১৫ (হায়বদি য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৩২) দগী হেনহল্লোইসি। করিগুম্বা নাইট্রোজেন কিলোগ্রাম ২০ (য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ৪৩) য়ৌখ্রবদি লায়না অসি তাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলি। পোটাস কিলোগ্রাম ২৫না শঙম অমা চাউবা লৌফমদা হাপ্পা য়াই। মসিনা লায়না তাবগী চাং হন্থগনি।

লায়না অসিমক ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি লৈবাক চোৎনা থম্বা হায়বদি চয়োল অনী অহুম খুদিংগী ঈশিং তোয়না চল্লবসু ফৈ। শাবগী চাংনা ডিগ্রী সেলসিয়স ৩০ লৈবা মতমদনা খ্বাইদগী ফৈ।

মথক্কী থৌওং অসিবু তৌখ্রবদি মখা তানা হীদাক কাপ্পগী মথৌ থোইনা লৈতে।

**ৱেব ব্লাইট :** পাম্বীশিংনা নৌরিঙৈদা লায়না অসিনা তাগল্লি। নৌরিবা পাম্বীগী মখোঙ চেংশিল্লকত্তুনা পাম্বীদু তুথরকই। মসিনা মরম ওইরগা পাম্বী অদু কংদুনা শিগল্লি। পুঙকক চাউরল্লবা অমসুং মপুং মরৈ ফারল্লবা পাম্বীশিংদনা লৈমায়গা নক্লনা লৈরিবা পাম্বীগী মউদা কুৎশিনবা, ময়ুংনা ঙম্বা, ঙাঙলৈননা মুবা দাকশিং লৈবা উগনি। লায়না অসি তারবা পাম্বীশিং পোথোক য়াম্না হন্থে।

**লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :** লৌফমদুদা নৎত্রগা ইঙ্খোলদুদা লায়ওং অসিগা মান্নবা লায়নাশিং তাখ্রবদি অওন পোত্থা তৌবা ফৈ। পাম্বী মখোঙ চোৎনা হিদাক কাপথোকপিগনি। শীজিন্নবা য়াবা হীদাকশিংদা কার্বেন্দাইজিম (Carbendazim) ৫০% দব্লিয়ু পি গ্রাম অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা নৎত্রগা হেক্সাকোনাজোল (Hexaconazole) ৫% মিলিটর অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিনবীরগা কাপথোকপীবা য়াই। নুমিৎ ১০নি কান্নরগা অনীরকশুবা ওইনা অমুক্কা কাপথোকগীগনি।

**স্লেরোটিনিয়া হ্বাইট মোল্ড :** মণিপুরগী অয়াম্বা কোলি হৱাই পাম্বীশিংদা ঙসি ঙসিমক য়াম্না তোয়না থেংনরিবা লায়নানি। লায়না অসিগী লায়ওং উৎপা হৌরকপসি পাম্বীগী মখোঙৱাইদা হৌরকই। মতুংদা মুশিল্লকই। পাম্বীগী মউ, মশা অমসুং মহৈদা ঈশিং অশাবনা চোংখিবা মানবা দাকশিং লৈরম্বদগী অঙৌবা লশিং মফোলগুম্বা কোকফাইশিং হৌবা থেংনগনি। লায়না অসিগী লাইওং উৎপা হৌরল্লবা মতুংদা মুশিল্লকই। হৱাইসু পৎলকপা থেংনগনি। করিগুম্বদা নারবা পাম্বীগী মশা অদু খায়দোক্তুনা য়েংবদা অপীকপা মরুম ওইনা তৌবা স্লেরোটিনিয়াশিং য়াওরম্বা থেংনগনি। হায়রিবা স্লেরোটিনিয়াশিং অসি লায়না অসিনা শোক্লবা থরাক্কী মনুং অমসুং মপান অনীমক্তা য়াওবা থেংনগনি। লৈবাক্তা তাদুনা লৈরবা পাম্বী নৎত্রগা থারাক্তদি হায়রিবা স্লেরোটিনিয়াগী মশীং অসি অসুক্কী মতিক য়ামগনি।



**লায়না অসিগী শন্দোরকপগী মওং :** কোকফাই লায়না অসি লৈবাক্তগী শন্দোরকপনি। স্লেরোটিনিয়াশিং অসি লৈবাক্তা নৎত্রগা পথ্-পুমথরবা পাম্বীগী শরুকশিংদা চহি অহুমদগী মরি ফাওবা লৈবা ঙম্মী। ময়োন চোংখ্রবা স্লেরোটিনিয়াশিং অসিনা অমুক নুংশিৎনা পুবা ঙম্বা কোকফাই মরু কয়া পুথোক্তুনা মফম কয়াদা মখা তানা শন্দোকহল্লি। লৈবাক্তা লৈরম্বা স্লেরোটিনিয়াশিংগা মায়োক্লরুবা পাম্বীশিংদা লায়নাশিং অসি য়াম্না থুনা লানশিল্লকই। স্লেরোটিনিয়ানশিং অসিনা পুথোরকপা লশিং মফোলগুল্লবা কোকফাইশিং অসিনা পাম্বীগী মখোঙদা লানশিল্লক্তুনা ইহান হানবা লায়ওং উৎলি।

**ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ :** ফৌ অমসুং চুজাক তোয়না থাবা মফমশিংদদি লায়না অসি তাগন্দে। অওন পোত্থাদা ফৌ, চুজাক য়াওহনগনি। লায়না অসিনা শোকহল্লবা পাম্বীশিং লৌথোক্তুনা মৈ থাদোক্কদবনি। লায়না অসিনা শোক্লবা পাম্বীশিংদগী স্লেরোটিয়াশিং অদু লৈবাক্তা লৈহৌদনবা হোৎনবীবগনি। Thoiphanate methyl 70% WP নৎত্রগা Carbendazim 50% WP গ্রাম অমা ঈশিং লিটর অমা খুদিংদা য়ানবিরগা পাম্বী চোৎনবা কাপথোকপীগনি। শঙম অমা চাউবা মফমদা শেল্লবা হিদাক লিটর ১০০ শীজিন্নগনি। পাম্বীগী মখোঙ শোয়দনা চোৎনবা হোৎনবীগনি।

# মণিপুরগী অথেনবা পাৎয়াগী লৌফমদা/ঙাগী ফার্মশিংদা অঙনফৌ থাদুনা ঙা অমসুং ফৌ অনীমক্তগী শেন্দোং তাল্লসি

এস সুমঙ্গল সিংহ

মণিপুরদা অঙনফৌ থানরম্বা মফম কয়াদা খুদম ওইনা ময়ায় লম্বী হায়না খঙনরিবা অসিগী হিয়াংথাংদগীনা ককচীং য়ৌরমদাই ফাওবদা লৈরিবা লৌবুকশিং অসিদা হৌজিক্তি মরম অমা নৎত্রগা অমদগী অঙনফৌ থাবা তোক্লরল্লি। হায়রিবসি মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদসু অদু মঙাই। হান্না অফবা লৌফম কয়া অমসু লোক্তাক হায়দেল পৱর প্রোজেক্টনা মরম ওইরগা ঈশিং য়োকখিবগী ফৌ থাবা য়াদদুনা ঙাগী ফার্ম ওন্থোরল্লি। অঙনফৌ থাবা তোক্লরল্লিবা অসিগী মরমশিং অদুগী মনুংদা মরুওইবা খরা পনবা তারগদি - ঈশিং পীনবা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ৱাৎপা, লৈরিবা রিভর লেফ্ট ইরিগেসন (আর এল আই) গী মফমশিং ফেল ওইরকপা, হান্না মথৌ তৌরম্বা দামশিং য়ারক্তবা, মতমগা চানবা চাথোক লৈবা ফৌ মখল য়াম্না লৈতবা, লৈরবসু মশক মুন্না খঙনদবা, অঙনফৌ থারবসু লোকপা মতমদা নোং নংদুনা ফৌ লোকপা মতমদা খুদোং চাদবা, মথংগী ফৌ থানবা শেম শাবগী মতম নিংথিনা ফংদবনা মমুৎ তানা খোইবা নংদে, হান্না হৌরম্বা নাপী শিংনাশিং, অশংবা চরুখোকশিং হিংনোই নোইরগা থাবা মরম্না মখোয়শিং অদু নিংথিনা পত্থা পুমথবা ঙমদে মরম অসিনা চাথোক নিংথিনা পুথোকপা ঙমদবা, অঙনফৌ অমসুং অনীরকশুবা ফৌগী পোথোক অনীগী অপূনবা পোথোক্তগী চাথোক লৈবা ফৌ মখল অমা শীজিন্নদুনা লৌরোক অমত্তং নিংথিনা মতম চানা থাবনা হেন্না ফৌথোক লৈরকপা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসি নত্তবা ৱাফম কয়া অমসু হৌজিক্কী মতমদদি থোরল্লি। ময়াম্না তোয়না হৌজিক্কী মতমদা তান্নরবা ক্লাইমেট চেঞ্জ (হোংলল্লিবা ঈশিং নুংশিৎ, অইং অশাগী ফীভম) হায়রিবা অসিনা তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদা মতমদুগী ফীভমগা চান্ননা লৌউ শিংউবদা করম্বা মওংদা চঙশিল্লগা ঐখোয় মীওইবদা নত্তনা হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবা খুদিংমক করম্না অকায় অতোয় থোক্তনা তুং কোয়না হিংমিন্নগনি হায়বা ৱাফম কয়া অমনি অখঙ অহৈ কয়ানা চেকশিন্না খন্না নৈনরিবসি। ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গেনাইজেসন (এফ এ ও) গী মীফম কয়াদা লুরবা ৱাফম কয়া অসি চহী খুদিংগী খন্না নৈনরিবা। ৱাফম কয়া অদুগী মনুংদা য়াওরিবা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমদি ঈশিংগী মরমদনি। ঐখোয় হৌজিক করিসু থৌশাদবগুম তুংগী করিসু উদবগুম লৈথোল্লিবা অসিনি নুংনাংনীংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা ঙসিদি মণিপুরগী ফীভমগা য়াম্নমক চানগনি খঞ্জবা মণিপুরদা লৈরিবা অথেনবা পাৎয়াগী লৌফমশিংগী মরমদা থেংনজবা ৱাফম খরা ময়ামগী মফমদা থমজরিবসি।

অঙনফৌ শিথরকপগী ৱাফম পঞ্জবদা নীংশিংলকপা অমনা মণিপুরগী লৌউ শিংউবগী অখঙ অহৈ কয়ানা মণিপুরগী লৌফমশিংদা অনীরক লোকপী (দবল ক্রোপিং) দা নত্তনা ত্রিপল ক্রোপিং) গী আশা কয়া অমা পুথোরল্লবসু অমুক্তং লোকপী ফাওবা মাঙশিল্লকপা অসিমসুনি খ্বাইদগী নুংনাংনীংঙাই ওইরিবদি। মতাং অসিদা য়াম্না মরুওই খঞ্জদুনা অঙন ফৌ থাবগী মফম খরা অমুক পঞ্জবা তারগদি মণিপুরগী লৈরিবা পাৎশিংগী পাৎয়াদা লৈবা লৌফমশিং অসিনি হায়বা ৱাফম অসি ঙসিগী ওইনা থমজবনি। খরা খঙজিনমীন্নবদা কান্নগনি খল্লি।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফমশিং অসিদা হৌজিক হৌজিকসু মায় পাক্লা ফৌ থাবা থেংনরি। মফমশিং অসিদা থানরিবা ফৌ মখল অয়াম্বদি মমাঙৈদগী থানরল্লবা ময়াম্না নম্বর ১ হায়না মশক খঙনরবা ফৌ অসিনি। ফৌ অসিসু য়াম্না ফবা ফৌ মখলদি ওই হায়ববু খরা হেন্না ফবা চাথোক হেনবা ফৌ মখল ওইনা থাহঞ্জনীংই। থাবগী মওংসু খরা হোংদোকনীংবা লৈ। হান্না থানরিবা মওংদি ওক্টোবর, নবেম্বরগী মতমদা অশাবগী চাং খরা ৱাংখৎলিঙৈ মতমদা হায়বদি ফৌনা নিংথিনা মতোন চোংবা ঙল্লিঙৈদা লৌহোন হুন্দুনা থল্লগা অইংবা মতম শাংনা খাঙহন্দুনা লৌহোন্না ঙাংশিন্দুনা লিশিন্দুনা থল্লগা খরা শাগৎলকপা মতম হায়বদি জন্যুৱারীগী অরোইবা নৎত্রগা ফেব্রুৱারীগী হৌরকপদা লিংথোকপা অসিনি। মসিনা য়াম্না মায় পাক্লব্রা হায়বদুদি নত্তে। অহানবা লিংবা ফৌ মপী অদুনা খূৎলৈ থুনা শাৎতুনা মপূং ফানা ফৌ পানবা ঙমদনা মাঙখ্রবা মতুংদা কোন্না পোল্লকপা মচাশিংনা মপূং ওইবা ফৌ ওইহৌবনা অয়াম্বনি। চাথোক হন্থবা তাবনি। মসিনি অয়াম্বা পাৎয়াদা অঙনফৌ থানরিবা ইচিন ইনাওশিংগী অঙনথেফৌ খুথা। হায়রিবা মওং অসিমক ঙাগী ফার্ম ওন্থোকখ্রবা মফমশিংদসু ঈশিং কংথরকপা মতম অমদি ঙা ফাখ্রবা মতুংদা মথংগী নোং তারকপগা ইরোইননা ঙা অমুক থাদদ্রিঙৈ মতমদা ফৌ অমুক্তং অঙনফৌ ওইনা লোকহৌনবগী থৌওংনি পায়খৎনরিবা।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি মরু ওইনা ঙাগী ফার্মশিংদা এস আর আই (সিষ্টেম ওফ রাইস ইন্টেন্সিফিকেসন) মেথোদতা ফৌ থাবা অসি পায়খৎপদা খুদোংচাবা য়াম্না লৈ হায়বা অদুনি। মসিদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং অদু খরা থমজগে। মসি হৌজিক হৌজিকমক এফ এ ওগী চাউরবা মীয়ফম কয়া অঙখ অহৈ কয়ানা মরু ওইবা হৌগৎলল্লিবা অইং অশাগী ফীভমদা অচৌবা কান্নরবা ৱাফম ওইনসু খন্নবদা য়াওরবা ৱাফম অমনি।

মণিপুরগী ফীভমদা মফমশিং অসিদা এস আর আই পাঙথোকপদা পায়খৎপা য়াবা অদুদি ফেব্রুৱারীগী অরোইবা চয়োলদগীনা মার্চকী অহৌবা চয়োলফাওবগী মনুংদা লৌহোন হুনবা। খরা ইংবা মতম ওইবনা লৌহোন শাহৌ খরা থিনগনি। মরম অদুনা এস আর আই মেথোদতা লৌহোন নুমিৎ ৮-১২ নি শুবদা ফাওবা ওইথোক্তে। য়ামদ্রবদা নুমিৎ ১৫-১৭ নি শুবদা ফোইবনা ফৈ।

ফৌ মখল : পি এ সী -৮০৭, আর সী মনিফৌ ১২, পারিফৌ, সী এ য়ু আর -৩ (মঙ্গল) পনবা য়াই।

লৌহোন হুনবা : লৌফম নকপা মফমদা অকংবদা নত্তনা লৈনাংদা ওইরবসু অদুমক লৌহোন হুনবা য়াই। লৌ শঙম অমগীদমক তঙাইফদনা ফৌ কিলো অমদগী অমগা পৱা চঙগনি। তশেংনমক্তি স্কার মিটর ১দা গ্রাম ২৫গী চাংদা মরূ হুল্লবদি কিলো ১গী (গ্রাম ১০০০) দমক মিটর ১ পাকপা মিটর ১০ শাংবা ফৈদোম ৪ চঙগনি। মসিমক তশেংনা পাঙথোকপা কনানসু য়াওদবগুম থেংনৈ। মানা মানা থোকপা হুনবদা অদুমক মায় পাকপা কয়া অমনি। মদুসু লাল্লি হায়বদি য়ারোই। মরম অদুনা থমজনীংলিবা ৱাফমদি খরা লন্না অদুমক হুনবীবা য়াই, ফৌ পাম্বী অমগা অমগা লোনশিন্নদনবা মওং য়েংদুনা অদুমক হুনবা য়াই।

লীংবা : লৌহোন্না নুমিৎ ১৫-১৭ শুরকপদা ঙাগী ফার্ম অদু ঙা ফাদোক্তুনা অমদি ঈশং শিৎতোক্তুনা লৈনাং ফমথহনবা য়ারে। লৈনাং খরা ফমথরবা মতমদা ফৈদোম তাখৎপগী খুদোংচাবা লৈ। অসুম্না থাগদবা ইচিন ইনাও খুদিংমক মতম অমত্তদা ঙা ফারবদি ঙা য়োনবা মতমদা হোনবগী খুদোংথিবা নংবসু য়াই। মরম অদুনা ঐগী ঐগী খুদোংচাবা য়েংদুনা ঙা ফাবীগনি অদুবু ঙা ফাখ্রবা মতুংদা ফার্মগী ঈশিং পুংকং কংহনবদি তৌবিরোইদবনি। ইশাগী লৌ লীংদবা মতম হায়বদি মমাঙদা থমজখিবা মতমগা চান্নবা য়েংদুনা ঈশিং শিৎতোকপীগনি। অসুম্না মতম চানা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি।

লীংনবগী অরন অকুংদি ময়াম্না এস আর আইদা তৌনরিবা অদুমক পায়খৎপীগনি। পরেংগা পরেংগা ইঞ্চি ৮-৮, পরেংগী মনুংদা পাম্বীগা পাম্বীগা ইঞ্চি ৮-৮ লাপ্পবনবা মওং য়েংদুনা থাবীগনি।

হার হাপ্পা : ঙাগী ফার্মদা ফৌ থাবা মতমদা হার থোইদোক্লা চঙদে। ফার্মগী লৈমায় য়াম্না লৈহাও চেনবা মরম্না হার হাপত্রবসু য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা হার ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি অখঙ অহৈ তান্নরগা হাপসি।

লৌফম খোইবা : ঙাগী ফার্মদা লৌফম খোইবগী মথৌ তাদে। ঈশিং শিৎতোকখ্রবা মতুংদা লৈনাং তানা লৈতেম মান্ননা উকাই তক্লবা মফমগুম ফৈদোম শেম্বা য়ানা লৈবা থেংনবীগনি।

ফৈদোম শেম্বা : লৈতেম মান্ননা লৈরবা মফমদুদা মিটর ১গা সেন্টিমিটর ৭৫ পাকপা ফৈদোম শেমবীগনি। মসি য়াম্না লুনা লৌবীগনু নাপচৈ অমা শীজিন্নরগা য়াবা থবকনি। হায়রিবা অপাকপসি য়েংদুনা শুটলিগুম্বা অমা শীজিন্নরগা নাকন অনীমক্তা পাকপা মান্ননা তিংলগা সনাবুন অমনা তক্তুনা চুরি হনবা য়াই। থবক ওইনা তৌরগা অদুমক খঙগনি। অসুম্না শেল্লবা ফৈদোম রোল্লর মার্কর কৌবা অমনা ওন্দুনা থাফম হকপা য়াই। অসুম্না হক্লবা ফৈদোম অহকপা মপাদা ফৌ পাম্বী অমমম য়াম্না লুনা ফুমদুনা খিনবীরগা অদুমক য়ারে। ফৌ পাম্বী পৈথোক পৈশিন তৌবা য়াই। শেমদ্রবসু মশা মথন্তা অদুমক চুমথোকচখিনি। হায়রিবা অসি নৎত্রবসু জপান লৌরিগুম থৌরি শীজিন্নদুনা অদুমক লীংবীবা য়াই। ফৈদোম ফৈদোমগী অরাপ্পদু অদুমক থম্বীরগা চুরি ওইগদৌরিবা শরুক অদু ফৌ থাবিরমদ্রগা অদুমক য়ারে। লীংবা লোয়রবা মতুংদা চুরিশিং অদু সনাবুন অমগী মতেংনা তক্তুনা শেম্বীবা য়াই।

লায়না তীলনা : মতম মতমগী লায়না তীলনা ঙাকথোক্লবা অখঙ অহৈ মতম চানা তানবীয়ু। মতম অসিদা ফৌবু মাঙ তাক্লবা মওংদা লায়না তীলনা তাবা কয়া থেংনরোই।

ঈশিং চনবা : এস আর আইদা ঈশিং য়াম্না চঙদে। অদুবু নাপী হৌরবসু হৌদ্রবসু মখোং হোমহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। অসুম্না মখোং হোমহন্নবা হোৎনবা মতমদা নোংমা মাঙজৌননা ঈশিং পারপ হায়বদি ইঞ্চি অমমুক লুনা ঈশিং চনবীবা তঙাইফদে। ঙাগী ফার্ম তৌবা মফমদা ঙা চারা শেমগৎনবা থম্বা পুখ্রিদুদগী ঈশিংনা অদুমক কোন্নবা য়াই। ফৌ থারবা মতুংদা ঈশিং তুংনবা মওংদা ঈশিং থাজিনবা য়াদে। পেৎলি পেৎলিদমক থম্বীগনি। কংলবসু লৈক্রক লাউনা চৎহন্দবদি য়াদে। অসুম্না অনীরক অহুম্লক নাপী পেংবিরবদি এস আর আই মায় পাক্লে হায়বা লৌবা য়ারে। অসুম্না শিথরল্লিবা অঙনফৌগী লৌফমশিং হিংগৎনবা হোৎনসি।